# মতম চুপ্পদা কথোকপনা মাঙওইনখিবা, মায়থোঙ য়াম্বা মণিপুরী ফিল্মগী অচঙবা থৌমী অমনি চান্দ হৈস্নাম

*- নানি*



চান্দ হৈস্নাম

কুমজা ২০২১ অসিগা শাগোন্নরক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি, লমদম অসিগী ওইনা য়েংলবদি অদুক য়াম্না অফবা চহী অমা নত্তে হায়না থমহৌবা য়াই। কুমচৎ অসিদা তাঙলবা লমদম অসিগী মমল নাইদ্রবা মীওই কয়া লাইচৎ অসিনা পুদুনা চৎখ্রে। মসিগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্মদা থৌমী ওইনা লৈরম্বা মতিক ময়াই চেল্লবা কয়া অমসু নমচিং চিংদুনা পুবীখ্রে। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা খন খন্দুনা অৱাবা পাউ অসি তাহল্লক্লি।

চান্দ হৈস্নাম, কৈশামথোং থাংজম লৈরক্তা পোকখি। মশাগী চহী ৫৮ শুখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা ফিল্মগা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মেম্বর ওইরম্মী। ওল মণিপুর ভিদিও ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিএসন (এ ভি আই এম পি এ) হায়বা অসি ১৯৯৩দা ফাউন্দর মেম্বর ওইনা ৱাখল্লোন মান্নবশিংগা লোয়ননা লিংখৎলগা অহানবা ভিদিও ফিল্মগী ফেষ্টিভেল অমা ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোকখি। লূপ অসি হৌজিক্তি ভিদিও হায়বা অসি লৌথোক্লগা ফিল্ম হায়না মহুৎ শীল্লগা অফিস্পা হায়না মিংথোনখ্রে। অসিগুম্বা লূপ অসিগীসু মহাক প্রসিদেন্ট ওইনা টর্ম অমা থৌ পুরমখি। ফিল্মগী ওইবা থবক থৌরম খূদিংমক্তা অমত্তা চিংখিদবমখৈ শরুক য়ারমখি। ৱাফম অমা নৈনরকপা খন্নরকপদা ৱাখল য়াম্না থোকপা অমদি আইদিয়া স্যের তৌবদা য়াম্না মরুওইবা মীশক অমা ওইরকখি। মহাক মাইথোং য়াম্বা, থোইদোক্না মহাক্না পাম্না চঙশিঞ্জরিবা থবক থৌরমশিংদা মায়পুননা মহাক্কী খুৎফম খোঙফম থনম্নবা হোৎনজখিবা তাঙলবা মীশক অমনি। মহাক্কী পুন্সিগী মশক অসি শুপচিন্না য়েংলগা হায়বা তারবদি, চান্দ হৈস্নাম ঠিএটরগী এক্টর অমনি, মণিপুরী ঠিএটরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনজখিবা আর্টিষ্ট অমা ওইরকখি। ঠিএটর মিরর, মণিপুরগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা মতম শাংনা লীলা কয়া পুথোকপদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা য়াওরকখি। মমিং খরদং পনবা য়াবদা- *নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা, কনানা হাইজিল্লিবনো, নুমীৎকী মচা কর্ণ*নচিংবা লীলাশিংনি। নেসনল ঠিএটর ফেষ্টিভেল ওরিষাদা শীনবদা নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা হায়বা প্লে অসি উৎপা চান্দ মশামক য়াওনা চৎখি। ঠিএটর মিররদা চহী ৭মুক লীলা য়াওরম্লগা **উত্তরাকাই** হায়বা ঠিএটর গ্রুপ অমা ক্বাকৈথেলগী কে পি ষ্টুদিওদা ওফিস ওইদুনা লিংখৎখি। মদুগী এক্টর ওইনা অমুক লৈখি। গ্রুপ অদুনা কে ঐচ ব্রজচান্দগী **তোম্বগী য়ুম** হায়বা লীলা অসিগা লোয়ননা লীলা কয়া অমসু মথং মথং পুথোরকখি। অসুম্না ঠিএটরগী লম্বী অসিদসু থৱায় য়াওনা চৎচরম্বা মীশক অমা হায়বদু ওইখি। ফিল্ম প্রদ্যুসরনি, ফিল্ম এক্টরনি, ফিল্ম দিরেক্টরনি, সিনেমাটোগ্রাফরনি অদুগা লোয়ননা এদিটর অমনি। অরোইবদা মীয়াম্না মহাকপু তশেংনা মশক খঙলকখিবা অসি মণিপুরী ফিল্মগী থৌমী অমা ওইননি। মহাক ভিদিওগী মতম অমা লৈরম্বা অদুদসু হেক হৌরকপদগী হৌনা ভিদিও ফিল্ম পুথোকপদা শাগোন্নরক্লবা মীশক অমা ওইখি। মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়াবু ভিদিও ওইনা মতমদুদা **চিত্রহার** হায়না মমিং থোন্দুনা অনৌবা ফিল্মবু পামজবা থৱায় য়াওজবা নুপা-নুপী এক্টর কয়াবু তম্বীদুনা পুথোরকখি। মদুনা মণিপুরী ম্যুজিক এলবম লাক্লবগী অচৌবা লম্বী থোনখিবা মীশকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খুৎ থেকপা য়াই। ভি ঐচ এসকী মতমদা মণিপুরী ফিল্মগী অনৌবা মীরোল অমা শেমগৎনবা মতমদুগা চান্ন-চুশিন্নবা মওংদা অনৌবা মখলগী ভিদিও ফিল্মশিং মথং মথং পুথোরকখি। মহাক্না পুথোক্লিবা ভিদিও ফিল্মশিংদি- **কনানা হায়জিল্লিবনো** (ঠিএট্রিকেল প্রদক্সন), **অদুঙৈগী মশান্নগুম, ক্বা মতপ অমা, চক্রভিয়ু** নচিংবনি। মসিতা নত্তনা অতোপ্পা থৱায় য়াওজবা কয়াগী ভিদিও ফিল্ম কয়াদসু মহাক মশামক য়াওশিন্দুনা ভিদিও ফিল্ম কয়া অমসু নমখি।

চান্দ মহাক্না পামজরিবা থবক্তা চঙদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা, য়াম্না থৱায় য়াওবা, মতম মাঙবা পাম্মুদনা হীরম অদুদা কুপ্না থম্বগী থাদোকফদ্রবা হৈনবী অমা মশাদা লোয়নদুনা লাকখি। মহাক্না পামজবা কেমেরামেন অমা ওইনবা হোৎনবদা এল সুর্যকান্তগী মতুং ইন্দুনা, অমদি এসিষ্টেন্ট ওইদুনা ফিল্ম কয়া অমগী সূটিং য়াওরকখি। লোয়ননা ইদিটিংগী লৌশিং ফংনবগীদমক, মহাক মশানা মরন্নাই ওইবা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা কোলকাটাদা ফিল্ম ইদিটিং তৌবা সুর্যকান্তগী মতুং ইন্দুনা তমজরকখি। অদুগুম্বা কয়াশিং অদুনা মমৈদদি মহাক মমিং লৈবা কেমেরামেন অমা ওইবা ঙমখি। ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোকপা ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিগী মনা ফাওবা ফংবা ঙমখি। লোয়ননা ফিল্ম ইদিটিংসু তৌবা হৈরকখি। মহাক্না সেল্লুলোইদ ফিল্ম পুথোকপা হৌরকখিবসি ইহান হানবদা "কনাগা হিংহৌনি" হায়বা লৈখিদ্রবা এম কে জীতকী শঙ্কর ফিল্মস প্রদক্সননা পুথোক্লবা সূটিং হৌখিবা ফিল্ম অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা ফাইনান্সিএল প্রোব্লেম লাকপদগী মহাক্না মতেং পাঙশিনদুনা বেন্নর অদুগী মখাদা লোইশিনখিদবা ফিল্ম অদু পুন্না প্রদ্যুস তৌদুনা পুথোকখি। ফিল্ম অদুগী ক্রেদিট টাইটলদা প্রদ্যুসরগী মিংদা- মোইরাংথেম প্রমোদিনি অমদি চান্দ হৈস্নাম হায়না থারকখি। ফিল্মদু বোক্স ওফিস হিট ওইবা ঙমখি। অচঙবা শেনফম ইরায় লায়না হঞ্জিনবা ঙমখি। মথংদদি মহাক মশাগী ওইবা ফিল্ম পুথোক্লবগী ৱাখল খনবা হৌখি।



ময়োফিগী মচা ফিল্মদা চান্দ হৈস্নাম

মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারীদা ব্রাইট ফিল্মগী খুদোল অসি ফনা নীংথিজনা চাউই। ব্রাইট ফিল্ম হায়রগদি চান্দ হৈস্নামবু থাদোক্লবা য়াদে। ব্রাইট ফিল্ম হায়বসি চান্দনি। চান্দ হায়বসি ব্রাইট ফিল্মনি। কনাগা হিংহৌগনি হায়বা ফিল্ম অসিগী মতুংদা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম পুথোকপগী লম্বীদা য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লকখি। মহাক মশাগী বেন্নরগী মখাদা ইহান হান্না পুথোরক্লিবসি *"ইরাল ওইরগে"* হায়বা অসিনি, সিগী মতুংদা, *থম্মোয়নদি কৌহৌরি, অমম্বসু অঙানবনি, থৱানমিচাক্না কেনখ্রবদা, ঐগীনি খন্না* নচিংবা ফিল্মশিং সেরিজ নাইনা পুথোরকখি। মণিপুরী ফিল্মগী তুংলমচৎ য়েংলগা অনৌবা এক্টর, পুথোক্লবা পান্দমদা দাউন হায়বা থৌরম অমা শীন্দুনা জগোয় ঈশৈদা, অমদি এক্টিংদা থৱায় য়াওজবা কয়াগী প্লেটফোর্ম অমা পীবা হৌরকখি। দাউন এক্টর এক্ট্রেস তাবশিং মহাক্কী ফিল্মদা শরুক য়াহন্দুনা শেমগৎলকপা হৌরকখি। মদুদা লাকখিবনি, হৌজিক মমিং লৈরিবা এক্ট্রেস তোম্বোই, গোকুলনচিংবা এক্টরশিং। মহাক্তি অনৌবা মীরোল শেমগৎপদা য়াম্না পূক্নিং চঙখিবা মীশক অমনি। চান্দ অদুক য়াম্না কা হেন্না ইকোনোমিকেল্লি সাউন্দ ওইবা ইমুং অমমক্তি নত্তে। অদুবু মহাক ফিল্মগীদমক্তি হায়বদা পাম্মুবা লৈতে। তৌগে খনবদা নীংহন্নদে, পাল্লিবা অদু ফংনবা হোৎনবদা মশাদা চোকথবা লৈখিদে। অদুমক্না মহাক সেল্লুলোইদ ফিল্মগী সিনেমাটোগ্রাফর, এদিটর ফাওবা ওইরকখিবা। ময়ামগা লোয়না তীন্নরগতা নুংঙাইজবা, ময়াম মরক্তা ফাগী তৌদুনা ৱা ৱা নোক্তুনা লৈবসি মহাক্না য়াম্না পামজখি। অদুগা মীপুম খূদিংনসু মহাক্না লোয়নবা পামজে। মপুক লোমদবা, লৌথুপ লৌকোই লৈতবা, হায়নিংবা ৱা খূদিংমক ইতিং তিংনা হায়দোকপদা চিংনবা লৈতে।

তেল্লবা পুন্সিগী শরুক অসিদা মহাক্না তৌজরল্লিবা খরা অসিগী মমিদি ঙসিসু ময়েক লানা লৈহৌরি। মহাক্না মণিপুরী ফিল্মগী লমদা কল্লল্লিবা মফম অসি মহাক চৎখ্রবা মতুং অসিদা অহাংবা ওইনা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌরগনি। অদুবু মহাক্কী মতিক ময়াইদি ময়েক লাবা অসুম হেনগৎলকখিগনি। হন্দক মহাক্না মালেমসিদা লৈরিবা অকিবা লান্দা অমা ওইরিবা লাইচৎ অসিনা নমদুনা পুবীখিবা অসিমক্তি লৈহৌরিবা পুম্নমক্কী থম্মোয়দা নীঙমদবা অমা হায়বদু ওইহৌরে। মহাক্কী থৱায় মীরেলনা মপু মাগী নাক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লেঙদনা ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০১। ০৮। ২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৭.৫৭ ফাওবা ইঙেনগী ২৩ নি পাল্লি মতুং ২৪নি পানগনি।

মেষ: অনীংবা পাঙগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি য়েক্লববু ঙমদুনা মীংচৎ ফংগদবা নুমীৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাংপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: য়েৎনবা পামগনু অমদি মীনা হায়বতা লৌবা তৌগনু, খাঙবা কল্লু অমদি হংবা তনগনু। মী লোয়নবা নত্রগা মীয়াম্না পাম্বা থৌরম পাঙবদি মায় পাক্কনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা খল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: ৱাখল থোকপা নুমীৎ ওইবনা নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি অমদি নরল চাওখৎনবা হোৎনবা কান্নগনি। তৌবদি নোল্লুকনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: নচাক নরলগী মরম খরদা কোক শাবা অমদি লৈফম তৌফম খঙদবা নংগনি। অদুবু লাইবক ফবনা অনীংবা থবক পাঙগনি, মীচং হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ: হোয়া ফবা অমদি চরাংনবা তৌদ্রদি মায় পাকলোইদবা মরম লৈরোই। লন চঙবা, য়েৎনবসু ঙমজবা অমদি লৌশিং ফংজবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: লাই-গুরুনা চানবীগনি, লেঙদবা লন চাওখৎকনি অদুবু ঈরাং পুরদি মরম চাদনা শেল চৎকনি। নত্তবা ৱাখল খনগনু, অহৈ অশিং শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং নুংশিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা ঙসিসু লৈ, চিংনদনা থৌরম অনৌবসু পাঙবা য়াগনি। মীচং অমদি লৌশিং য়াম্না লৈ, খুৎচাও থাহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: হকচাং খিংবা, থৌনা ফুদোকপা ঙমজবা অমদি অঙম্বনা চানবীগদবা নুমীৎনি। অদুবু ৱা-ঙাংবদি হৈয়ু অমদি অরং অরাক পীথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: অচুম্বা চৎলসু অমদি মরুপ-মপাং লোয়নরসু চাওখৎপদি ইফং ফংদবা নুমীৎনি। হেন্না আশা চাওবসু মতম মাঙদুনা তোক্কনি। পাউদি নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ্পা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: নচা-ননাইগী লমদা ৱারসু অফবা খরদি উগনি। পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবসু ফাওগনি। নাপল অমদি ৱা য়াম্না ঙাংবদি য়েক্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: নীংহন্নগনু মাঙলোমদা চঙশিল্লু অমদি ইমুংগী ৱা তাউ কান্নগনি। অরুবা ৱারেপ লৌবা মতাং চাই। লোয়নবনদি তাথি, অশাওবা ফথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: নীংবা মপা চাদে অমদি ৱাফংনগনু, চোপকনি। নথক থোংবনদি চানবীগনি, নচাক নরল চাওখৎপগী নুংঙাইজৈ, চাদিং হন্থবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




অঙাং অমদা নুপা অমনা হংই - ইবুংঙো নঙগী বাবাগী মমিং করি কৌবগে?
অঙাং : অঙ্কল হৌজিক মহাক্কী মমিং থোন্দ্রি, শুপ্নগী নুংশিনা পাপা-পাপা হায়না কৌরি !!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কঞ্জুস মপা : ইবুংঙো নঙ হয়েং চাওরগা উকিল ওইবা ঐনা পাম্মী।
মচানুপা : করিগীনো পাবুং?
কঞ্জুস মপা : ঐনা লিৎলিবা অমুবা মচুগী কোট অসে হয়েং অমুক নঙনা লিৎপা য়ানবনি !!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মহৈরোয় : হিন্দিগী ওজা হিন্দিদা অমদি ইংলিসকী ওজা ইংলিসতা ৱা ঙাঙই। অঙ্ক তাকপা ওজা নঙনা করিগী অঙ্কদা ৱা ঙাঙদ্রিবনো?
ওজা : য়াম্না ৪-৫/৪-৫ তৌগনু নৎত্রবদি ৬-৭ লক থারবদি অঙ্ক ময়েক ৬ অদু ৩৬ ওইনা উগনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপানা মচাদা ঙাঙলদুনা হায়, অমেরিকাদা লৈবা চহী ১৫ শুরবা অঙাঙশিংদি মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্মী।
মচানুপা : করিনো হায়সিবু পাবুং ঐখোয় ইন্দিয়াদদি শুপ্নগী চহী ১ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং ফাওবদা চেনবা ঙম্মী।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপানা মচাদা : ইবুঙো, জ্বার শান্নবা হায়বসি য়াম্না ফত্তবা থবক অমনি। করিগুম্বা ঙসি কাদুনা শেল ফংলবসু হয়েং পোদুনা শেল ফংলোই। হংচিৎ অমুক কাদুনা শেল ফংলবসু মসেম অমুক পোদুনা শেল মাঙগনি।
মচানুপা : ওহ! পাবুং ঐ গ্যান তারে। ঙসিদগী নোংম-নোংম কাল্লগা জ্বার শান্নরগে ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : নঙ করিগী ঙরাং স্কুল কারক্ত্রিবনো?
মহৈরোয় : বর্দ ফ্লুনা নাবগীনি।
ওজা : করিনো হায়রিদুবু, মদুদি য়েনদা নাগদবা লায়নানি।
মহৈরোয় : ওজানা ঐবু মী অমা ওইনা করম্বা মতমদা খনবিখ্রবগে? মতম পূম্নমক্তা ঐবু য়েনদৌনা কুলহল্লগা থম্বা নৎত্রা !!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মচা : বাবা টোটিগী ঈশিং অসি কদাইদগী লাকপনো?
মপা : তুরেলদগী লাকপনি।
মচা : তুরেল য়েংবা পুবিয়ু।
মপানা মচা অদুবু তুরেল য়েংবা পুবিদুনা তরেল য়েংহল্লি। তুরেল য়েংলিঙৈদা মচানুপানা মপা অদু তুরেলদা ইন্থরম্লগা চেল্লক্তুনা মমাদা ইমা টোটি থারগা য়েংউ বাবা থোল্লক্লগনি ...!!!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : DJ Alok
By : Babin Achoibam
Class : VII Sec: A Roll : 19
School : Sacred Heart Hr. Sec. School, Porompat



Title : Elephant
By : Chongtham Dhanaraj
Class : I Sec: A Roll : 4
School : Global School of Human Resource



Title : A House
By : Giangchuilung
Class : IX Roll : 4
School : Maheilen Education Centre



Title : A Village
By : Loitongbam Marzeet Singh
Class : VI Sec : A Roll : 48
School : The Evergreen Flowers' School



Title : Hulk
By : Loitongbam Satyazeet
Class : VI Sec : B Roll : 17
School : The Evergreen Flowers' School



Title : Scenery
By : M. Chingthangkhombi Chanu
Class : II Sec: D Roll : 35
School : Little Flower



Title : House
By : Maisnam Chenglouhen
Class : Pre-Nursery
School : Sweet Home School




Title : Godzilla 2019
By : Mutum Wangthoi
Class : II Sec : Berry Roll : 12
School : Millennium School



Title : Pokemon XYZ
By : Pangambam Lamnganba Khuman
Class : V Sec : A Roll : 19
School : NEST School, Kongba




Title : A Boy
By : Radhakrishnan
Class : IV Sec: D Roll : 38
School : Pitambara English School



Title : Scenery
By : K Arjunsana
Class : III Sec : A Roll : 24
School : Balhany School, Guwahati



Title : Transformer
By : S Mithoiba
Class : I Roll : 50
School : Trivity Public School



Title : Teddy Bear
By : Tritina Sivani Huidrom
Class : IV Roll : 70
School : Bright Foundation, Thoubal



Title : A Girl
By : S Linthoi
Sec: C Roll : 38



Title : PUBG Army
By : Nongthombam Tomthin Mangang
Class : I Sec : A Roll : 4
School : Nirmala House, Imphal



Title : Butterflies
By : Yaiphabi Mayanglambam
Class : IV Sec : B Roll : 34
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুয়েন লানপাওগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।